# অমেরিকাগা ইন্দিয়াগা ঙাকশেলগী মরী ফঙাৎহন্নবগী বিল হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসনা পাস তৌখ্রে

ৱাশিংটন, জুলাই ১৫ (এজেন্সি) :

ইন্দিয়াগা ঙাকশেলগী লমদা কোওপরেসন পীনবা হেনগৎহনবগী ৱাফম য়াওবা দোলর বিলিয়ন ৬৫১.৫ গী চাদিং বিল অমা য়ু এসকী হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসনা পাস তৌখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়ন - অমেরিকান কোংগ্রেসমেন অমি বেরানা পুখৎখিবা এমেন্দমেন্ট মোসন অমা চহী অসিগী ওক্টোবর ১ দগী হৌগদবা নেসনেল ডিফেন্স ওথোরাইজেসন এক্ট (এন ডি এ এ) ২০১৮ গী শরুক ওইনা হাউসনা ভোইস ভোটতা অয়াবা পীখি। এন ডি এ এ - ২০১৮ অদু হাউসনা ভোট ৩৪৪-৮১ দা পাস তৌখিবনি।

হাউসনা পাস তৌরিবা ইন্দিয়াগা মরী লৈনবা এমেন্দমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না, সেক্রেটরী ওফ ডিফেন্সনা সেক্রেটরী ওফ ষ্টেটকা তান্নদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা ডিফেন্স কোওপরেসন হেনগৎহন্নবগী ষ্ট্রেটেজি অমা পুথোক্কদবনি।

বেরানা এমেন্দমেন্ট অদু মুভ তৌরদুনা হায়খি মদুদি, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অসি মালেমগী খ্বাইদগী লীরবা ডিমোক্রেসিনি অমসুং ইন্দিয়ানা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ডিমোক্রেসিনি। লৈবাক অনীগী মরক্তা ডিফেন্স কোওপরেসন হেনগৎহন্নবগী ষ্ট্রেটিজি অমা পুথোকপা হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা তৌদবা য়াদবা অমনি। এমেন্দমেন্ট অসি পাস তৌখিবসিনা লৈবাক অনীগী ওইবা সিক্যুরিটিগী শিংনবশিং, মীচংশিং অমসুং পার্টনরশিংগী থৌদাং লোয়ননা সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিগী মরমদা মতেং পাংনবগুম্বা মরম ওইবা ইসুশিং অসি য়েংশিনবা ঙমহল্লগনি।

য়ু এস অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা কোওপরেসন পীনবনা ২১ শুবা চহীচাগী সিক্যুরিটিগী শিংনবশিং থেংনবা ঙম্নবা ঐখোয়গী ডিফেন্স অমসুং তৌবা ঙম্বশিং হেঙ্গৎহনগনি হায়না বেরানা মখা তাখি।

নেসনেল ডিফেন্স ওথোরাইজেসন এক্ট পাস তৌখ্রবা মতুংদা সেক্রেটরী ওফ ডিফেন্স অমসুং সেক্রেটরী ওফ ষ্টেটনা নুমিৎ ১৮০ নিগী মনুংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা ঙাকশেলগী লমদা কো-ওপরেসন হেনগৎহন্নবগী ষ্ট্রেটেজি অমা পুথোক্কদবনি।

এন ডি এ এ অসি য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প পু সাইন তৌহন্নবা হ্বাইট হাউসতা থাদ্রিঙৈগী মমাংদা সিনেটনা পাস তৌবা চঙলি।

হাউসনা পাস তৌরবা এন ডি এ এ-২০১৮ না ষ্টেট ডিপার্টমেন্ট অমসুং পেন্টাগোনদা লৈবাক অনীগী ওইবা সিক্যুরিটিগী শিংনবশিং, ইন্দিয়া-য়ু এস ডিফেন্সকী মরীদা অমেরিকান পার্টনরশিং অমসুং মীচংশিংনা লৌরিবা থৌদাং লোয়ননা ট্রেদ ইনিসিয়েটিভ য়েংশিন্নবগী ষ্ট্রেটেজি অমা পুথোক্নবা হায়রি।

মমাংগী এন ডি এ এ - ২০১৭ না ইন্দিয়াবু মরু ওইবা ডিফেন্স পার্টনর অমনি হায়না শকখঙখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিবু ডিফেন্স, ট্রেদ অমসুং টেক্নোলোজি ট্রান্সফরগা মরী লৈননা অমেরিকাগী খ্বাইদগী নকপা পার্টনরশিং থাক অমত্তদা থমখিবনি।

# ইজিপ্তকী রিজোর্টতা জর্মন মচা ২ থাঙনা থিন্দুনা হাৎখ্রে

বর্লিন, জুলাই ১৫ (এজেন্সি) :

ইজিপ্তকী হুরঘাদা রিজোর্টতা মপানগী টুরিষ্টশিংদা অতম্লনা চথুখিবনি হায়না থাজবা এটেক অমদা জর্মন মচা অনী শিখ্রে হায়না জর্মন ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা কনফার্ম তৌখ্রে।

অসিগুম্বা থাজবা মাঙহনবা ক্রাইম অসি মীরৈবাক মচা টুরিষ্টশিংদা টার্গেট তৌদুনা চথুখিবনি হায়বসি ঐখোয়না মরম কয়াদগী খঙবা ঙম্লে মসিনা ঐখোয়বু ৱাহল্লি অমসুং খোইরাং খোইশাওহল্লি হায়না মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

এটেক অসি কেপিটেল কাইরোগী মপান্দা লৈবা ইজিপ্তকী খ্বাইদগী মমিং লৈরবা পিরামিদ খরগী মনাক্তা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা পুলিসমেন মঙা শিখিবা মতুং পূং খরখক কান্নরগা চথুরকখিবনি।

থাঙনা থিনবগী এটেক অদুগী পান্দম শেংনা খঙবা ঙমখিদে, তৌইগুম্বসুং ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা রেদ সিগী রিজোর্ট হুরঘাদাগী এটেক্কর অদু খুদক্তা ফারে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা সিক্যুরিটি ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি মদুদি, চহী ২০ খরা হেনবগী লেঙ্গা মানবা অমুবা টি-সার্ট অমসুং জিন্স শেৎপা থাঙ পায়বা নুপা অমনা মীরৈবাক মচাশিংদা অতম্লনা এটেক তৌনবা হোৎনখি।

নুপা অদুনা এটেক অদু পাঙথোকপা মতমদা 'ঐহাক ইজিপসিয়নশিং পামদে লাপ্পা চৎথোকখো' হায়না অরাবিক লোলদা লাউখি হায়না ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখি।

সিক্যুরিটি শিংনদুনা চথুখিবা এটেক অদুগী মতাংদা কনামত্তনা মরাল শিবা তৌদনা ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা হায়খি মদুদি, এটেক্কর অদু মনাক নকপা বিচ অমদগী ঈরোইরগা হোটেল অদুদা চঙশিনখিবনি।

কাইরো সিটিগী ৱাংমদা পুলিসমেন মঙা হাৎখিবগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা গ্রুপ অমত্তনা এটেক অদু মখোয়গী খূৎনি হায়বা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি। তৌইগুম্বসুং এটেক অদু হসম হায়না খঙনবা অপিকপা ইস্লামিক মিলিটেন্ট গ্রুপ অমনা পাঙথোকখিবগী মমি তাখি। গ্রুপ অসিনা হন্দক থা খরা অসিদা মান্নবা এটেক কয়া পাঙথোকখিবা লৈখ্রে।

মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্নবা ইজিপ্তকী বিচ রিজোর্টশিং অমসুং ডাইভিং সেন্টরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা হুরঘাদাগী এটেক্কর অদুনা টুরিষ্টশিংদুবু মমায়দা, ঙকশমদা অমসুং মখোঙদা থাঙনা থিনখি হায়না ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখি।

জর্মন টুরিষ্ট অনীদু ফিভম লুনা শোকপদগী শিখিবনি। য়ুক্রেন অমসুং চেক রিপব্লিক্কী সিটিজনশিং য়াওনা এটেক অদুদা শোকখিবা অতৈ টুরিষ্ট মরিদি খুদোংথিনিঙাই ওইদ্রে হায়না ওফিসল অদুনা মখা তাখি।

# আই এস আই এসকী অফঘানিষ্টান ৱাঞ্চকী লিদর য়ু এসকী এয়র ষ্ট্রাইকতা শিখ্রে : পেন্টাগোন



ৱাশিংটন, জুলাই ১৫ (এজেন্সি) :

ইস্লামিক ষ্টেটকী অফঘানিষ্টান ৱাঞ্চকী মকোক য়ু এসকী ফোর্সশিংনা কুনার প্রোভিন্সতা লৈবা টেরর গ্রুপ অসিগী হেদক্বার্টর্সতা এয়র ষ্ট্রাইক চথুদুনা হাৎখ্রে হায়না পেন্টাগোনননা ফোঙদোকখ্রে।

ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এণ্ড সিরিয়া-খোরাসন প্রোভিন্স (আই এস আই এস - কে) গী এমির অবু সয়েদপু হাৎখিবগা লোয়ননা চহী ১ গী মনুংদা টেরর গ্রুপ অসিগী অফঘানিষ্টান ৱাঞ্চকী লিদর অহুম হাৎখ্রে।

য়ু এস ফোর্সশিংনা জুলাই ১১ দা অফঘানিষ্টানগী কুনার প্রোভিন্সতা লৈবা আই এস আই এস - কেগী হেদক্বার্টর্সতা ষ্ট্রাইক তৌদুনা গ্রুপ অসিগী এমির অবু সয়েদ হাৎখ্রে হায়না পেন্টাগোনগী স্পোক্সমেন দানা হ্বাইটনা ফোঙদোকখি।

আই এস আই এস - কেগী অতৈ মেম্বর কয়াসু হাৎখিবা রেইদ অদুনা টেরর গ্রুপ অসিনা অফঘানিষ্টানদা মখোয়গী মফম হেন্না পাকথোক চাওথোকহন্নবা হোৎনরিবদুদা শিংথানিঙাই ওইনা অকাইবা থোকহনবা পীরগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

অফঘান অমসুং য়ু এস টুপশিংনা হান্নগী আই এস আই এস - কেগী লিদরশিং হাৎখ্রবা মতুংদা আই এস আই এসকী লিদরশিংনা অবু সয়েদপু গ্রুপ অসিগী লূচিংবা ওইনা খনখিবনি। গ্রুপ অসিগী মমাংগী লিদর হাফিজ সয়েদ খান হৌখিবা ২০১৬ কী জুলাইদা হাৎখি অমসুং অব্দুল হসিবনা চহী অসিগী এপ্রিলগী অথেংবদা হাৎখি।

অফঘান অমসুং য়ু এস ফোর্সশিংনা চহী অসিগী মার্চ থাগী অঙনবদা নঙ্গরহারদগী ফাইটরশিং তকথোক্নবা আই এস আই এস - কেগী মায়োক্তা অচৌবা লাঞ্জং অমা হৌখি। মদুনা আই এস আই এসতা অফঘানিষ্টানদা আই এস আই এসকী চঙজফম অমৎতা লৈত্রে হায়বগী পাউজেলসু পীখি হায়না হ্বাইটনা ফোঙদোকখি।

অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা য়ু এসকী ফোর্সশিংবু লূচিংলিবা জেনরেল জোন নিকোলসনন্না আই এস আই এসপু অফঘানিষ্টানদগী মরূ ফুক্ত্রিফাওবা মখা তানা লাঞ্জং চঙশিনখিগনি, লৈবাক অসিদা মখোয়গী চঙজফম অমৎতা লৈহল্লোই হায়খি।

লালগী চৈথেং নংলবা অফঘানিষ্টানদা য়ু এসনা আই এস আই এসতা টার্গেট তৌদুনা এটেকশিং তোইনা চথুখিবনি। হৌখিবা এপ্রিলদসু য়ু এসনা লূপ অসিগী মায়োক্তা খ্বাইদগী চাওবা নন-ন্যুক্লিয়র বোম থাদখিবনি।

# 'রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী সর্ভরদা সাইবর এটেক চাউনা চথুখি'





মোস্কো, জুলাই ১৫ (এজেন্সি) :

সাইবর এটেকশিং পাক শন্না চথুরকখিবগী ফিভম অমা রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হৌখিবা থাদা থেংনখি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিগী স্পোক্সপর্সন মরিয়া জখারোভানা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। জখারোভাগী মতুং ইন্না, সাইবর এটেকশিং অদুগী হৌরকফমদি ইরান অমসুং হঙ্গরিনি।

আর বি সি ন্যুজ আউটলেটনা জখারোভাগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি মদুদি, হৌখিবা জুন ২৯ দা মিনিষ্ট্রি অসিগী মেল সর্ভরদা চথুরকখিবা এটেকশিংনা শাথিবা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লকখি।

হেক্করশিংনা মিনিষ্ট্রি অসিগী ষ্টাফ মেম্বরশিংগী মরক্তা তৌনবা ইলেক্ট্রোনিক করেসপোন্দেন্স খঙদোক্নবা হোৎনখি হায়না জখারোভানা ন্যুজ ব্রীফিং অমদা পাউমীশিংদা হায়খি।

এটেক অদু মায় পাকহন্দনবগীদমক্তা মিনিষ্ট্রি অসিগী সিষ্টেম এদমিনিষ্ট্রেটরশিংনা মসিগী মেল সর্ভিস মতম খরা থিংজিন্দুনা থমখি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা মসিগী সর্ভরশিং মায় পাক্না হেক তৌখিবগী ৱাফম ফোঙদোরকপসি মসিনা অহানবনি।


হৌখিবা চহীগী ওক্টোবরদা য়ু এসকী হেক্কর অমনা রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱেবসাইট মায় পাক্না হেক তৌখ্রে হায়না চাওথোক্না ফোঙদোকখিবা মতমদা হেক্করদুনা সাইট অদুগী মথৌ তৌদ্রবা ভর্জন অমদা টার্গেট তৌখিবনি হায়না জখারোভানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী সাইট অদুদা ভিজিট তৌরিবা পূম্নমক্কী চাদা ৮৮ দি য়ু এসকী আই পি এদ্রেসশিং য়াওবা সাইবর-ভিলেনশিংনি।

হৌখিবা ২০১৬ কী নভেম্বরদা মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সনননা ফোঙদোকখিবদা ফোরেন মিনিষ্ট্রি অমসুং ক্রেমলিনগী ইনফোর্মেসন সিষ্টেমশিংদা চথুখিবা হেকশিংদু য়ু এস গভর্নমেন্টনা স্পোন্সর তৌবা সাইবর-টেররিজমনি হায়খি।

ক্রেমলিনগী স্পোক্সমেন দমিত্রি পেস্কোভনা হৌখিবা জনুৱারিদা ফোঙদোকখি মদুদি, চাইনা, ইন্দিয়া, য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন য়াওনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী নুমিৎ খূদিংগী ক্রেমলিনগী ৱেবসাইটতা এটেকশিং চথুখি।

# পাকিস্টানগী ডিফেন্স ফন্দিংদা অকনবা কন্দিসনশিং থমখ্রে





ৱাশিংটন, জুলাই ১৫ (এজেন্সি) :

পাকিস্টানগী ঙাকশেলগী ফন্দিং রিইম্বর্সমেন্টগী মতাংদা হেন্না কনবা কন্দিসনশিং থম্নবগী লেজিসলেটিভ এমেন্দমেন্ট অহুম য়ু এসকী হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসনা ভোট লৌনদুনা শৌগৎখ্রে। এমেন্দমেন্টশিংদুগী মতুং ইন্না রিইম্বর্সমেন্ট অদু ইস্লামাবাদনা টেরোরিজম থেংনবদা পেন্নিঙাই ওইবা প্রোগ্রেস উৎপগী মখা পোনগনি।

পাকিস্টানগী মায়োক্তা থল্লিবা কন্দিসনশিং অদু লৈবাক অসিনা টেররিষ্টশিং অমসুং টেরর আউটফিটশিং শৌগৎপগা মরী লৈনৈ। পাকিস্টানগী অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিগী মতাংদা য়ু এসকী তোপ ওফিসলশিং অমসুং লো মেকরশিংনা মমাংদা হঞ্জিন হঞ্জিন নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রবনি।

য়ু এস দোলর বিল্লিয়ন ৬৫১ গী নেসনেল ডিফেন্স ওথোরাইজেসন এক্ট (এন ডি এ এ) ২০১৮ গী লেজিসলেটিভ এমেন্দমেন্ট অহুম্মক হাউসনা ভোইস ভোটতা শৌগৎনখি।

কুমজা ২০১৭ গী ওক্টোবর ১ দগী পাবা হৌগদবা শেনবা চহীগী ওইবা ডিফেন্সকী চাদিংশিংদা অয়াবা পীরিবা এন ডি এ এ - ২০১৮ অদু হাউসনা ভোট ৩৪৪-৮১ দা শৌগৎখিবনি।

হাউসনা পাস তৌরিবা বিল অদু পাকিস্টানদা ফন্দ রিইম্বর্সমেন্ট অমৎতা তৌদ্রিঙৈগী মমাংদা সেক্রেটরী ওফ ডিফেন্সনা ইস্লামাবাদকী থবকশিং য়ারে হায়বা তাক্কুনা সর্টিফাই তৌবা চঙই। ইস্লামাবাদনা পাকিস্টানগী কম্যুনিকেসন গী গ্রাউন্দ লাইন পরিংদা সিক্যুরিটিগী ফিভম ফনা লৈহল্লি, কাউন্টর টেররিজমগী ওপরেসনশিং শৌগৎপা খোঙথাংশিং লৌখৎলি, ক্রোস বোর্দর এটেকশিং লাকশিল্লি অমসুং আই ঈ ডি গী থ্রেটকা মরী লৈননা ইফেক্টিভ ওইবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি হায়বসি ডিফেন্স সেক্রেটরীগী মায়কৈদগী হৌনবী মতুংইন্না খঙহনগদবনি।

সেক্রেটরী ওফ ডিফেন্সনা পাকিস্টানননা নোর্থ ৱাজিরিষ্টানদা হক্কানি নেটৱার্ককী মায়োক্তা মখা তানা মিলিটরি ওপরেসনশিং চথরি হায়না সর্টিফাই তৌদ্রিফাওবা ২০১৭ কী ওক্টোবর ১ দগী হৌরগা ২০১৮ গী ডিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মতমগী মনুংদা সপোর্ট অমসুং রিইম্বর্সমেন্টগী অহেনবা শেনফম ওইরিবা য়ু এস দোলর মিলিয়ন ৪০০ অসি নেসনেল সিক্যুরিটিগা মরী লৈননা কোমথোকপা য়াবগী মনুংদা য়াওহল্লোই হায়রি।

# নোর্থ কোরিয়াগী প্লুটোনিয়ম হান্না থাজরম্বদগী হেল্লম্বা য়াই হায়বা উংখ্রে

লন্দন, সিওল, জুলাই ১৫ (এজেন্সি) :

নোর্থ কোরিয়াগী মরু ওইবা ন্যুক্লিয়র সাইটকী থর্মেল ইমেজশিংনা পিয়োংয়াংগী রিপ্রোসেস তৌবা প্লুটোনিয়মগী চাং হান্না খন্নরম্বা চাংদগী হেল্লম্বা য়াবগী ফিভম উংখ্রে।

ৱাশিংটনদা বেজ ওইবা নোর্থ কোরিয়াবু মোনিটর তৌবা প্রোজেক্ট ৩৮ নোর্থকী এনালাইসিস অসি য়োংবিওন ন্যুক্লিয়র প্লান্টগী রেদিও- কেমিকেল লেবোরেটরিগী সেটিলাইট ইমেজশিংদা য়ূন্ফম ওই।

এনালাইসিস অদুগী মতুং ইন্না, মালেমদগী তোঙান্না তারবা লৈবাক অসিগী রিপ্রোসেস তৌবা প্লুটোনিয়মগী চাং হান্না থাজনখিবা চাংদগী হেন্না লৈবা তারবদি লৈবাক অসিনা মসিগী ন্যুক্লিয়র খুৎলাইগী প্রোগ্রাম হেন্না পাকথোক চাওথোকহনবা ঙমগনি।

অনৌবা সেটিলাইটকী ইমেজশিং অদুনা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল প্রোগ্রামগী মতাংদা মালেমগী নুংনাংবশিং হেঙ্গৎহনবা য়াইহায়রি।

য়োংবিওনদা লৈরিবা য়ুরেনিয়ম ইনরিচমেন্টগী ফেসিলিটি অদুগী ইমেজশিং অদুনা নোর্থ কোরিয়াগী নিংথিনা ইনরিচ তৌরবা য়ুরেনিয়মগী ষ্টোক হেঙ্গৎহনবদা শীজিন্নবা য়াগদবা সেনট্রিফ্যুজশিং ওপরেট তৌরম্বা য়াবগী ফিভম উংলি হায়না থিঙ্ক টেঙ্ক অসিনা ফোঙদোকখি।

নোর্থ কোরিয়ানা য়ুরেনিয়ম অমসুং প্লুটোনিয়ম শীজিন্নদুনা এটোমিক বোমশিং শাই। লৈবাক অসিনা হৌজিক ফাওবদা ন্যুক্লিয়র বোম মঙা চাংয়েং তৌখ্রে। য়ু এসনা লূচিংবা মালেমগী লৈবাক কয়ানা নোর্থ কোরিয়াগী খুৎলাই প্রোগ্রাম লাকশিন্নবা হোৎনরবসু লৈবাক অসিনা তরুকশুবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং অমা মতম অমদা হেক্তা পাঙথেরকপা য়াই হায়না এক্সপার্টশিংনা থাজরি।

# এয়র ষ্ট্রাইকতা স্কুল ১ মাঙ-তাকখ্রে

কাবুল, জুলাই ১৫ (এজেন্সি) :

ঙসি অফঘানিষ্টানগী কুন্দুজ প্রোভিন্সতা চৎথখিবা এয়র ষ্ট্রাইক অমদা স্কুল অমা অমাঙ-অতা থোকখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই অহুম অশোক-অপন নংখ্রে।

কেপিটেল কাবুলগী অৱাংদা কিলোমিটর ২৫০ লাপ্পা লৈবা কুন্দুজ সিটিগী খাওজা মশদ এরিয়াদা ফাইটর অমনা বোম থাদখিবা অদুদা য়ূম অমসু অমাঙ-অতা থোকখি হায়না এদুকেসন ডিপার্টমেন্টগী ডিরেক্টর জনাট গুল নাসিরিনা ফোঙদোকখি।

য়ূম অদুগী মনাক্তা লৈরম্বা অঙাং অহুম এটেক অদুদা শোকখি। লোয়ননা এটেক অদুদা স্কুলদুগী মনাক্তা লৈবা দুকান ১৩ সু অকায়-অতোয় নংখি হায়রি।

অয়ুক্কী মতম ওইবনা স্কুল অদুদা মহৈরোয় অমত্তা লৈখিদবনা মী শিবা য়াওখিদবনি হায়না জনাট নাসিরিনা ফোঙদোকখি।

এটেক অদু য়ু এসনা লূচিংবা কোলিসন ফোর্সশিংনা চথুখিবনি হায়না মহাক্না মরাল শিখি। টালিবানননা কুন্দুজবু খুদুম চন্নবা হোৎনরকখিবগা লোয়ননা হৌখিবা থা কয়াসিদা সিটি অসিদা লান কনশিনবগী ফিভম উখি।

# চাইনাগী মিটিওরোলোজিকেল এজেন্সিনা ব্লু এলর্ট ইসু তৌখ্রে

ইস্লামাবাদ, জুলাই ১৫ (এজেন্সি) :

চাইনাগী নোংপোক অমসুং খা থংবা লমদমশিংদা নোং কা হেন্না কন্না চুরকপা য়াই হায়না লৈবাক অসিগী মিটিওরো-লোজিকেল এজেন্সিনা থাংজ নুমিৎতা ব্লু এলর্ট ইসু তৌখ্রে।

থাংজ নুমিৎতগী নোংমাইজিং ফাওবা য়েল্লো তুরেল অমসুং হুৱাইহে তুরেলগী মরক্তা লৈরিবা চাউরবা শরুকশিং লোয়ননা হাইনান অমসুং গুৱাংদোং প্রোভিন্সশিংগী মফম কয়াদা নোং কন্না চুবা য়াই হায়না নেসনেল মিটিওরোলোজিকেল সেন্টরনা ফোঙদোকখি।

মথংগী পুং ২৪ ফাওবগী মনুংদা অনহুই, সান্দোং, জিয়াংসু অমসুং হাইনান প্রোভিন্সশিংদা এম এম ১৪০ ফাওবা য়ৌনা নোং কন্না চুবা য়াই হায়না সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা হায়রি।

মিটিওরোলোজিকেল সেন্টর অসিনা খুদোং থিনিঙাই ওইবা লমদমশিংগী লোকেল গভর্নমেন্টশিংদা নোংলৈ নুংশিৎ, পৱার সপ্লাই তৎপনচিংবগী মায়োক্তা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎনবা অমসুং ঈচাউ অমদি চীং নিংখায়বশিং থিংনবা খঙহনখ্রে হায়রি। চাইনাদা নোং কন্না চুবগা মরী লৈননা মচুনা তাকপা মরোল মরিগী ৱেদর ৱার্নিং সিষ্টেম অমা চৎনৈ। অঙাংবা মচুনা খ্বাইদগী কনবা নোংজুগী ৱার্নিংদা শীজিন্নৈ। মদুগী মতুংদা কোল্লা মচু, হঙ্গামপান অমসুং হিগোক লাকই।

# পাকিস্টানি ওপোজিসন্না নৱাজ শরিফ মফম তাখ্রগনি হায়না থাজরি

ইস্লামাবাদ, জুলাই ১৫ (এজেন্সি) :

পাকিস্টানগী ক্রিকেট ষ্টার অমা ওইরম্বদগী পোলিটিসিয়ন অমা ওইরকখিবা ইমরান খাননা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফ শোইদনা মফম তাখ্রগনি অমসুং মহাক্কী মনিং থুংলগনি হায়না থাজরি।

প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফপু মফমদগী লৌথোকখিবা য়াবা ফল লাকহনগদবা করপসনগী অচৌবা কেস অমগী মতাংদা পাকিস্টানগী সুপ্রিম কোর্টনা লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হিয়রিং চথবা হৌরগনি।

পাকিস্টানগী ওপোজিসন লিদর ইমরান খাননা মহাক্কী পোলিটিকেল রাইভল ওইরিবা প্রাইম মিনিষ্টর শরিফ শোইদনা মফম তাখ্রগনি হায়না ফোঙদোকচরবসু প্রাইম মিনিষ্টরগী তেংবাংলোই অমনদি সুপ্রিম কোর্টনা অদুগুম্বা ৱায়েল অমা পীদুনা মফমদগী চিংথুখিবা হায়বসি 'জুদিসল কূ' নি হায়না লৌবা য়াগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর শরিফ মপানদা লৈবা কম্পেনিশিংগী খূৎথাংদা মহাক্কী ইমুংগী মমল য়াম্লবা প্রোপর্টি কয়া লন্দনদা লৈশিল্লম্বগা মরী লৈনবা ৱাথোক অমা চহী অমা হেন্না মায়োক্লরকখিবনি। পাউ অসি অহানবদা লিক ওইখিবা পানামাগী চে-চাংশিংদগী খঙলকখিবনি।

ৱাথোক অসি শরিফকী মায়োক্তা হনবা লৈতনা খোঙজং অমা চঙশিল্লকখিবা ওপোজিসন লিদর ইমরান খানগীদমক্তদি লাইনা পীবা অচৌবা তাঞ্জা অমা ওইরি। শরিফনা কুমজা ২০১৩ দা ওফিস পায়বা হৌখিবদগী খাননা মহাকপু মফম লৌথোক্নবগী কেম্পেইন হৌখ্রবনি।

# হেন্না ফিভম শোকপা লম্বীদা লাকপা উরে : আর পি এফ

*লামায় ১গী মখা...*ময়োন চোং-হন্দুনা ইম্পেরিলিষ্ট দেমোক্রেসি অমা শাগৎতুনা লৈরক্লবা ইন্দিয়াদা নৌহৌননা নিও ইম্পেরিলিষ্ট দেমোক্রেসি অমগীদমক হন্না হন্না পোলিসি প্রোগ্রামশিং তুংকোইনা চথনবগীদমক মরুওইবা কি এপোইন্ট-মেন্টশিং হাপ্লকপা ঙসি ঙসিমক উরক্লি। পুন্নমক অসি মশানা অদুমক তাবা কাঙলোন ওইবা তাবনি হায়রি।

শুপ্নমগী লৈঙাক অমনা অসিগুম্বা লৈঙাক অদুদা থাজবা হায়বা ইনগদবা (লোয়ল) ওইবা থৌবুনাই থৌপাংবশিং খিন্দুনা হায়বা ইনবা লৈঙাক শেমগৎলি। থবক থৌরম পাঙথোক-হনবা লৈঙাক্কী অপান্বা অদু রিমোট কন্ট্রোলগী খুথাংদা শুপ্নম অমদি মীওৎ মীনৈগী লৈঙাক মখা চথবা ঙম্নবগীদমক্তনি। মরম অসিনা মণিপুরদা হঞ্জিন হঞ্জিন্না নৎত্রগা নৌহৌননা মখোয়গী খুৎচাবী লৈঙাক্লোই খনবা নৎত্রগা সী এমগী এদভাইজর, চীফ সেক্রেটরি, হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস, দেপ্যুটি কম্মিস্নর, য়ুনিভর্সিটিগী চাঞ্চেল্লর অমদি লোয়শঙগী মকোক থোংবশিং ময়াং হাপ্পা হায়বসিদা হেন্না ঙক্লিংঙাই ওইদে। ওইফমসু থোক্তে হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

মণিপুরদা লৈঙাক কাঙলোন অসি ইন্সত্রুমেন্ট ওফ মর্জর, সেপ্তেম্বর ২১, ১৯৪৯ দা ইনখিবা অদুদা মরূ হুনবা হৌখ্রবনি। নাকল অমরোমদা, এম এল এ, বুরোক্রেট, কন্ত্রেক্তরশিং খরা চাওবা পুলিসশিংনা অপুনবা খোঙবু কোলিসন অমা শেমদুনা মীয়ামগীনি হায়না থাদরকপা শেনফমশিং মৎহনবা অদুগা লোয়পোৎ কাহনবনচিংবা থোকইবশিং অসিদসু ঙক্লিংঙাই ওইদে। মসিগুম্বা কাঙলোন কয়া অসিনা হঞ্জিন হঞ্জিন ইন্দিয়ন ইম্পেরিলিষ্ট দেমোক্রেসি অমগীদমক য়ুম্ফম থোনবা ঙম্লিবনি। অপুনবা কোকথোংগী তেকচাক অদু নম্লদুনা ঙসিদি মণিপুরগী নীংতম ঈহৌগী তপথদ্রবা খোঙ-হৌশিংদা অমদি লমথুংফমগী লম্বেলশিংদা চয়েৎনবা হন্না হন্না থোক্লি হায়নসু লৈবাক অসিগী লোনা থিংখ্রবা লূপ অসিনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লমদম অসোমদা চথরিবা ইন্দিয়ন হিজিমোনিক রুলবু খঙবদা হিজিমোনি হায়বসি ঐখোয়না নৌহৌননা খঙবা তারকই। হিজিমোনি নৎত্রগা হিজিমোনিক হায়বসি পাৱরফুল ওইবা মশক অদুখক নত্তে। মসিদি অয়াম্বা মতমদা মদুবু শৌগৎপা মীয়াম্না য়াবা পাৱরগী মশক অদু ওইগনি হায়বসিনি।

ঙসিদি ইন্দিয়াগী ময়াই লমদা বি জে পি হিজিমোনিক ওইরিবসি করিননো হায়বদা মসিগী তমথিবা পাৱর অসি মীয়াম্না য়াবা নৎত্রগা য়াদনা শিন্নথোক্তুনা পীথোকখিবা অসিনি।

*মথং মথং...*

**IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, MOIRANG**

***Ref:- Mutation Case No. 706/AS&SO/MRG Dated 14/07/2017***

Wahengbam Imocha Singh s/o Wahengbam Mansingh of Kumbi Mayai Leikai. ... Petitioner

-VS-

(Late) Wahengbam Raghumani Singh s/o Wahengbam Mansingh of -do-. ... O.P. Party

**NOTICE**

Moirang, 15/07/2017

U/S 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৬২-ৱাঙু কৈরাপতা লৈবা পাট্টা নং ... (অরিবা), ১৭৬/১৭৭ (অনৌবা), সী এস দাগ নং ১০৭/১১৫ এরিয়া ০.৬২+০.৬২=১.২৪ একর চাউবা লম তাওথবী লৌফম অসিগী Pattadars মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা ইখ্তোল অসিগী মৃত পাট্টাদারগী ইমুং-মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না মখা কেস চথরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই।

**Sd/- M. Ningthembi Singh**
Asst. Survey & Settlement Officer,
Moirang, Manipur.

HL-P/2087/16

**SKY Hospital & Research Centre**

RIMS Road, Imphal West

***STAFFS REQUIRED URGENTLY***

If you are talented and looking for a world class Heart Hospital then don't delay, apply today for the following posts:

| Sl | Post | Qualifications | Min Exp | No. |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Head of Marketing Division | MBA or Equivalent | 3 years | 1 |
| 2 | Secretary to Chairman | Graduate with Good command in English | 1 year | 1 |
| 3 | IT Manager | BCA/MCA Networking & Hardware Exp | 2 years | 1 |
| 4 | Project Development Manager | MBA or Equivalent | 1 year | 1 |
| 5 | Accountant | B.Com/M.com | 2 years | 1 |
| 6 | HR Executives | MBA(HR) or Equivalent | 1 year | 1 |
| 7 | Marketing Executives | Grad or Equivalent | 1 year | 3 |
| 8 | Clinical Manager | MHA or Equivalent | 2 years | 1 |
| 9 | Store Manager | Grad or Equivalent | 1 year | 1 |
| 10 | Medical Transcriptionist | Grad or Equivalent | 1 year | 1 |
| 11 | Pharmacist | B.sc / Diploma | 2 year | 2 |
| 12 | O.T. Nurse (O & G) | B.sc / GNM | 1 year | 2 |
| 13 | O.T. Technician | B.sc / Diploma | 2 years | 1 |
| 14 | CTVS Post - Op Nurse | B.sc / Diploma | 2 years | 1 |
| 15 | Security Staff | 10+2 | 1 Year | 2 |
| 16 | Driver | 10+2 | 1 year | 2 |

**Last Date of Application : 22/07/2017**
**Interview Date : 31/07/2017.**
**Please contact Reception or send your resumes to hr@skyhospitals.com / or at 8415938205**

HL-B/4012/16

**STAFF REQUIREMENT FOR**

**COFFEE SHOP AND BAKERY**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1. | Bakery Chef (Cook) | 12/Grad. | 2-5 yrs. Exp. |
| 2. | Barista | Diploma/Grad. | 2-5 yrs. Exp. |
| 3. | F & B Sevice (Waiter) | Diploma/Grad. | 1-3 yrs. Exp. |

*** Barista : A person who works in coffee bar.**
*** Salary is negotiable.**

**Contact : 8131882409**

**Sd/- The Kombirei Inn,**
Uripok Sinam Leikai

HL-P/2074/15,16&17

**OFFICE OF THE**
**MANIPUR STATE LEGAL SERVICES AUTHORITY**
(High Court of Manipur Complex, Mantripukhri, Imphal)

**NOTIFICATION**

Dated, the 13th July, 2017

No.1/17/2017-MASLSA: Pursuant to Government approval vide Order No. 15/5/2015-MASLSA/L dated 14th January, 2016 of the Law & Legislative Affairs Department, Govt. of Manipur and under section 6(5) of the Legal Services Authorities Act, 1987, applications are invited from interested candidates for appointment to the following posts in the office of the Manipur State Legal Services Authority :-

| Sl. No. | Name of Post | No of post | Pay Scale | Nature of recruitment |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Accountant | 1(one) | Rs.5200 - Rs. 20200 + GP Rs. 2400 | By deputation from Departments under Govt. of Manipur |
| 2. | LDC -cum- Computer Operator | 2(two) | Rs.5200 - Rs. 20200 + GP Rs. 1900 | Direct Recruitment |
| 3. | Driver | 2(two) | Rs.5200 - Rs. 20200 + GP Rs. 1900 | -do- |
| 4. | Peon | 2(two) | Rs.4440 - Rs. 7440 + GP Rs. 1300 | -do- |

Details along with the application form are available in the High Court of Manipur website – http://hcmimphal.nic.in.

Last date for the submission of application form is on **14th August, 2017.**

Sd/- Member Secretary,
Manipur State Legal Services Authority

HL-B/4011/15&16